<u>প্রেস রিলিজ</u>

**মহৈ পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি ওফ এজুকেশন)না ভারতিয় ভাষা উৎসব হৌদোক্কদবা অমসুং সেপ্টেম্বর ৩০ অমসুং ওক্টোবর ১, ২০২৩ দা শিনশারোল (টেক্নোলোজি) অমসুং ভারতকী লোলশিংদা নুমিৎ নিনিগী মীফমলেন (সমিত) পাঙথোক্কদবা**

মহৈ পোংবশঙ (মিনিষ্ট্রি ওফ এজুকেশন)না **ভারতিয় ভাষা উৎসব** হৌদোক্কদৌরি অমসুং সেপ্টেম্বর ৩০ অমসুং ওক্টোবর ১, ২০২৩ দা **শিনশারোল (টেক্নোলোজি) অমসুং ভারতকী লোলশিং**গী ওইনা নুমিৎ নিনিগী মীফমলেন (সমিত) অমসু নুমিৎ-৭৫ নি চূপ্পা সেপ্টেম্বর ২৮, ২০২৩ দগী হৌদোক্কদৌরিবা ভারতিয় ভাষা উৎসবকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কনি। মীফমলেন অসিবু থোইদোক্লা ইকায়খুম্নরবা মহৈ মিনিষ্টর শ্রী ধর্মেন্দ্র প্রধাননা ভারতিয় ভাষা উৎসবকী শরুক অমা ওইনা বাবা সাহেব ডা. বি. আর. অম্বেদকর ইন্টরনেশনেল সেন্টর, ডা. রাজেন্দ্র প্রসাদ রোড, ন্যু দিল্লীদা হৌদোক্কনি। মচং-ৰারোল (কিনোত এড্রেস)দি আই আই আই টি- ডি এম, কাঞ্জিপুরমগী বোর্ড ওফ গভরনর্সকী চেয়রমেন অমসুং জোহো কোর্পোরেশনগী সি ই ও শ্রী স্রিধর ভেম্বুনা পীগনি।

মীফমলেন অসিদা হীরম থন্ন-নৈনবগী সেসন অহুম লৈগনি, মথোয়শিংদুদি, (১) ভারতকী লোলশিং**গীদমক** শিনশারোল(২) ভারতকী লোলশিং**দা** শিনশারোল অমসুং (৩) ভারতকী লোলশিং **ফাওনা** শিনশারোল হায়বসিনি। হীরমগী মচৎশিংনা ভারতকী লোলশিংগীদমক শিনশারোলবু তাকপী-তম্বীবগী লমশিং হায়বদি তমশিনবা, থবক চঙদ্রিবা (প্রি-সর্ভিস) অমসুং থবক চঙলবা (ইন-সর্ভিস) ওজাশিংবু ট্রেনিং পীবা, টেক্সবুক ইবশিং, পরিক্ষাগী চে য়েংবশিং অমসুং অখঙ-অহৈশিং, ক্রেডিৎশিং মনা ওইনা পীরগা ভারতকী লোলশিং থঙবা অমসুং হৈবগী চাং য়েংবা, তাকপী-তম্বীবগী মচাকশিং হন্দোকপা অমসুং হৌজিক ওইরিবা মহৈগী থল-কাঙলোন (ইকোসিষ্টেম) অসিদগী ভারতকী লোলশিংগী থল-কাঙলোন (ইকোসিষ্টেম)দা নীংথিনা পুরক্লবা, এন ই পি-২০২০ দা মাংওইননা মীৎয়েং চঙথিবা অমা ওইনা, পান্দম থল্লি।

নুমিৎ নিনিগী মীফমলেনসিদা, ভারতকী লোলশিংদা মহৈ ফংহন্নবগী থল্লিবা অশানবা মীৎয়েংদু ফংহন্নবগীদমক মহৈগী লমদা থৌ পুরিবা ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক্লা চৎনবা য়াহন্নবগীদমক য়াথোক্লবা পোরম (রোড ম্যেপ) অমা শেম্লগনি। মীফমলেন অসিদা তোঙান-তোঙানবা শিনফমশিংদগী অমসুং লমশিংদগী লাকপশিং, হায়বদি মহৈ-মালেমদা লৈবশিং (একাদেমিয়া), মহৈরোয়শিং, থিজিল্লোয়শিং, ইডুটেক অমসুং ইনফোটেক ইন্দষ্ট্রি, টেক্নিকেল এক্সপর্টশিং, মিদিয়া অমসুং মরোমদোম থবক তৌজবশিং (ফ্রিলান্সরশিং) অসিনচিংবদগী চাউরাক্লা মীওই ১০০০ রোম্না শরুক য়াগনি হায়না থাজবা থল্লি। মীফমলেন অসি মহৈ মিনিষ্ট্রি (এম ও ই), মিনিষ্ট্রি ওফ স্কিল ডিভেলপমেন্ট অমসুং ওন্ত্রপ্রিনরশিপ (এম এস ডি ই) অমসুং মথোয়গী মশা-মরেংওইরিবা ইন্সটিট্যুশনশিং, মিং ওইনা পল্লবদা, সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ন লেঙ্গুজেস (সি আই আই এল), য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কমিশন (য়ু জি সি), নেশনেল এজুকেশনেল টেক্নোলোজি ফোরম (এন ই টি এফ), ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ফোর টেক্নিকেল এজুকেশন (এ আই সি টি ই), নেশনেল কাউন্সিল ওফ এজুকেশনেল রিসর্চ এন্দ ট্রেনিং (এন সি ই আর টি), নেশনেল কাউন্সিল ফোর টিচর্স এজুকেশন (এন সি টি ই), ভারটিয় ভাষা সমিটি (বি বি এস) অমসুং নেশনেল কাউন্সিল ফোর ভোকেশনেল এন্দ টেক্নিকেল এজুকেশন (এ সি ভি টি ই)না পূন্না থূৎশন্নরগা পাঙথোকপনি । অকূপ্পা মরোলশিংদি মীফমলেন অসিগী ৱেবসাইত website: https://technology-bharatiyabhasha.aicte-india.org অসিদা ফংই।